**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ইম্ফাল-উখ্রুল নেসনেল হাইৱে ২০২ দা খুৎলায় পায়বশিংনা চথুরকখিবা এটেক্তা মীওই অহুম লৈখিদ্রে।

উখ্রুল জিলাগী টি.এম. কাসোমদা থোকখিবা থৌদোক অদুবু মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

২) রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভমগী মতাংদা আই.জি.এ.আর (সাউথ)না ঙসি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা খন্নখ্রে।

৩) রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা মঙাদা সরকারনা মোইবাইল ইন্তরনেট সার্ভিসতা অথিংবা থল্লম্বা অদু ঙসিদগী লৌথোকখ্রে।

৪) ৱার্ল্ড হেরিতেজ ডেগী থৌরম ঙসি মালেমগী মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু পাঙথোকখি।

অমসুং

৫) কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারিশিং অমসুং পেন্সনরশিংগী দি.এ. অমসুং দি.আর চাদা ২ হেনগৎপদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে।

------

এম্বুস (এল)ঃ ইম্ফাল-উখ্রুল নেসনেল হাইৱে ২০২ দা খুৎলায় পায়বশিংনা চথুরকখিবা এটেক্তা মীওই অহুম লৈখিদ্রে।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী সোথিং সিমরেনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- থৌদোক অদু উখ্রুল জিলাগী টি.এম কাসোম ময়াদা ঙসি নুংথিল পুং ১ মখায়রোম তারকপা অদুৱাইদা ইম্ফালদগী উখ্রুল তমা চৎপা গাড়ি ১০ রোমদা মনাক নকপা চীংশাংদগী খুৎলায় পায়বশিং অদুনা এম্বুস তৌরকখিবনি। থৌদোক অদুদা গাড়ি খরসু নোংমৈ মরুনা পানবদগী অমাং অতা থোকখি।

রাজ্য পুলিসনা নুমিৎ খুদিংগী লিতান অমসুং মহাদেবগী মরক্তা সেক্যুরিতি ঙাক শেনদুনা চৎপনি। অদুমওইনমক, থৌদোক থোক্লিবা মফম অসি উখ্রুলদগী লিতান য়ৌদ্রিঙৈদা লৈবা মফম অমদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অনিগী অশিবা হকচাং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পুখ্রে।

অমরোমদা, য়াওলেন কুকি ভিলেজ ময়াদা ঙসি নুংথিল খুৎলায় পায়বশিংনা এম্বুস তৌরকপদা মীওই অনি লৈখিদবগী থৌদোকপু ৱার্কিং কমিতি ওফ তাঙ্খুল নাগালোংনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। চেরোল অমদা কমিতি অসিগী মিদিয়া সেলনা হায়- শিরিবশিং অদু তসার খুলদগী ভারত লান্মীগী নাগা রেজিমেন্টতা থবক তৌরম্বা মীওই অমা অমসুং খারাসোম সি.সি. ভিলেজদগী মীওই অমনি।

চেরোল অদুনা হায়- ইম্ফালদগী উখ্রুল ফাওবা সেক্যুরিতি এস্কোর্টকা লোয়ননা নুপী, অঙাং অমসুং অনাবা মীওইশিং য়াওবা পেসেঞ্জরশিং অদু মহাদেব অমসুং লিতান ফাওরগা লাকপনি। থৌদোক অদু সেক্যুরিতি এস্কোর্ট অদুনা লিতানদা হেক হনখিবগা এটেক অদু চথ্থরকপনি। এটেক অদুদা গাড়ি ৬ লোম অকায় অতোই থোকখি। য়াওলেন অমসুং মসিগী লোন্নবা কুকি খুলশিংদা খুদক্তা রাজ্য সরকারনা কোম্বিং ওপরেসন চথ্থবীনবা কমিতি অসিনা দাবী তৌরি।

উখ্রুল জিলাগী টি.এম. কাসোমদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা থবক্তগী পোথারবা ভারত লান্মীগী মীওই অমা য়াওনা মীওই অহুম লৈখিদবা অদু থম্মোয় শোকিঙাইনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোরক্লি। মহাকা হায়- লালহৌবনি চিংনবশিংনা চথ্থরকখিবা পাংদবা থৌওংগী এম্বুস অদুদা মীচম লৈখিদবা অসি লাইবক থিবনি। অসিগুম্বা মীনুংশি য়াওদবা থৌদোক অসি য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়রি।

মহাকা হায়- অসিগুম্বা হিংশাগী থৌওং অসি সমাজ অসিদা মফম লৈতে। মরম অদুনা মতিক চাবা ৱায়েল ফংহনবা হায়বসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি। রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং ঙাক শেনবগী থবক মতিক চানা পায়খৎপা হায়বসিসু সরকারগী মরুওইনা থৌদাংনি।

ঙসিগী থৌদোক অদুবু হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং থিদোক্তুনা চৈরাক পীনবা হোৎনগদবনি। মসিগী মথক্তা মীচম মীয়ামশিংগী পুন্সি ঙাক শেন্দুনা মীয়ামগী থাজবা মাংদনবা হোৎনগদবনি।

কোওর্দিনেতি কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)নসু থৌদোক অসিবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

সিএম(এল)ঃ রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভমগী মতাংদা ইন্সপেক্তর জেনেরেল অসাম রাইফলস (সাউথ) গৌরব শর্ম্মনা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা উন্নবা অদুদা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অসি অরুবা ফিভদা লৈরবসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা মতম চানা অমদি হৈ শিংনা থবক লৌখৎপদগী লাকশিনবা ঙমলে।

ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা অশোই অঙাম থোক্তনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা হোৎনরি। মীয়ামা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈবিদুনা তোকঙা থাজবীদনবা শ্রী খেমচান্দনা আপীল তৌরি। সরকার অসিনা মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েলশিং শোইদনা অথুবা মতমদা ফংহনগনি। মরম অসিদা মীয়ামা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু।

অমরোমদা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) হেদক্বাটরসকী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা সরকারনা মীৎয়েং চংগদবা হিরম কয়া য়াওবা মেমোরেন্দম অমা খুৎশিন্নখি। লুপ অসিনা পীশিল্লকখিবা মেমোরেন্দম অদু সরকার অসিনা লুমা লৌবগা লোয়ননা

হিরমশিং অসি থবক্তা ওন্থোকপা হায়বসি অচেৎপা ফিরেপনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

এমসুগী মীহুৎ কাংবু অসিনা রাজ্যপালগী ওফিসতসু মেমোরেন্দম পীশিনখি।

মোবাইল (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবী অৰাং লৈকাইদা থা অসিগী ৬ অমসুং ৭ কী লেন্নবা অহিংদা থোকখিবা থৌদোক্কী মখা তারকপদা রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা মঙাদা সরকারনা মোইবাইল  ইন্তরনেট সার্ভিসতা অথিংবা থম্লম্বা অদু ঙসিদগী লৌথোকখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা রাজ্যগী জোইন্ট সেক্রেটরি হোমনা থোকপা চেরোল অমা থোকখ্রে।

মীয়ামা সোসিয়েল মিদিয়া প্লেটফোর্মশিং নিতি নিয়ম চুমা শিজিন্নদুনা মীয়ামদা অকায়বা অমদি থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকপা য়াবা পাউশিং শন্দোকপীদনবা হোৎনবীয়ু হায়না চেরোল অদুনা হায়রি।

হেরিতেজ (এল)ঃ  ৱার্ল্ড হেরিতেজ ডেগী থৌরম ঙসি মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোকরি। ইম্মরজেন্সি রেস্পোন্স ফোর লিভিং হেরিতেজ ইন কন্টেক্স ওফ কনফ্লিক্স এন্দ দিজাষ্টর হায়বা হিরমদা রাজ্য সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা শিন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা গভর্নমেন্ট দান্স কলেজদা ঙসি পাঙথোকখি।

নুমিৎ অসি অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চান্দেল জিলাগী সেলোন খুলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা খুঞ্জা কয়ামরুমনা শরুক য়াদুনা মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা মহৌশাদগী চৎনরক্লবশিং ঙাক্তুনা থমবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

ৱার্ল্ড হেরিতেজ নুমিৎনা লাকপদা মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা য়াইফ পাউজেল পীরি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কালা সংস্কৃত্তি, নাৎ চৎনবী অমসুং ইতিহাসকা শাগোন্নরিবা হেরিটেজশিংবু মরুওইনা চরাংনবা থোকপা মতমদা ঙাকশেনবগী তঙাইফদবা লৈ। লৈবাক অমদা তংদু লৈতাদবা ফিভম লৈবা মতমদা খুদক্কী ওইবা

থবক লৌখৎতুনা অসিগুম্বা তাংলবা হেরিটেজশিংবু কনবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী থৌদাং ওইগদবনি।

হান্নগী কেন্দ্রগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-ডা: রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা ৱার্ল্ড হেরিটেজ ডেনা লাকপদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা মমল নাইদ্রবা ইপা ইপুশিংগী মতমদগী লৈরক্লবা নিংথৌশিংগী লৈফম কংলা, কোন্থৌজম লাইরেম্বী, কৈবুল লমজাউগী সঙাই কন্নবগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিলহল্লসি।

জিরিবাম (এল)ঃ কে.এস.এ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল, ইপসা জিরিবাম ব্রাঞ্চ, জিমৱাক অমদি এস.দব্লিউ.এ জিরিবাম ব্রাঞ্চনা পুন্না শিন্দুনা ১০ শুবা জিরিবা ত্রিতি ওবজার্ভেসন থৌরম ঙসি জিরিবামগী পি.দব্লিউ.দি গেষ্ট হাউসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ১৮৩৩ গী এপ্রিল ১৮ দা জিরিবামবু মণিপুরগী ঙমখৈ ওইনা য়ান্নখিবা নুমিৎপু নিংশিংদুনা পাঙথোকপনি।

থৌবাল (এল)ঃ থা অসিগী ২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা খোংজোম নুমিৎ পালন থৌরমগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিন্দুনা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সকী অকোইবদা সোসিয়েল সার্ভিস কেম্প পাঙথোকখ্রে। দিপ্যুতি কম্মিসনার ৱাই. রোবিতানা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুগী মতাংদা মহাকা হায়- খোংজোম নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা ঐতিহাসিক ওইরবা মফম অসিবু লু-নান্না থমবা পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

লাইওন্স(এল)ঃ থা খুদিংগী নোংম পানবা নুমিৎতা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা মরুওইবা কৈথেলশিং শিৎ শেংবগী থবক লেপ্তুনা চথরক্লি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা লাইওন্স ইন্তরনেসনেল দিষ্ট্রিক্ট ৩২২-দি মণিপুর রিজন্না শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল শেংদোকপগী থবক চথখি।

লুপ (এল)ঃ   সাহিত্য থৌপাং লুপনা চহি খুদিংগী ৱার্ল্ড বুক ডেগা মরী লৈননা পীবা হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দ কুমশি চহিগী ওইনা শকাইরবা অইবা জাতিশ্বর তোংব্রমদা পীরগনি। মনা অসি থা অসিগী ২৩ দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা অইবা অসিদা খুৎশিন্নগনি হায়না সাহিত্য থৌপাং লুপনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। মনা অসিদা শেল, সাইতেসন অমসুং সোল য়াওরি।

ফেরজোল (এল)ঃ   দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোল অমসুং আই.সি.দি.এস সেল অমদি দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল বেলফ্যার ওফিসকা পুন্না শিন্দুনা জিলা অসিগী পারবুংদা লৈবা কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্তরদা পোসন পখৱারা ২০২৬ কী ৮ শুবা ইদিসন ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি মরুওইনা মমা অমসুং অঙাংশিংদা মচী ওইবা চীঞ্জাক মপুং ফানা পীজবা অমদি মশা মঙ ফহন্নবগী পান্দমদা  পাঙথোকখিবনি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা অঙাংশিংগী হকশিং ঙাক শেন্নবগী মতাংদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

মেট (এল)ঃ   ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- ঙসি অমসুং হয়েং রাজ্য অসিগী জিলাদা খরদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই। ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, জিরিবাম, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই। চীংগী জিলা খরা তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, নোনে অমসুং কামজোং জিলাদসু হায়রিবা ফিভম অসি মায়োকরবা য়াই হায়রি।

কেবিনেট ঃ  কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারিশিং অমসুং পেন্সনরশিংগী দি.এ. অমসুং দি.আর চাদা ২ হেনগৎপদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- পোৎ-চৈগী মমল

ৱাংখৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা হৌজিক লৈরিবা বেসিক পে নত্রগা পেন্সনগী চাদা ৫৮ গী রেট ওইহৗরিবা অসিগী মথক্তা চাদা ২ চহি অসিগী জনুৱারি ১ দগী হেনগৎনবা ৱারেপ লৌরে। মহাকা হায়- থৌরাং অসিনা চহি ১ দা সরকারগী পুক্কৈদগী লুপা কোতি লিশিং ৬,৭৯১ হেন্না চাদিং তৌগনি। মসিনা কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারি লাখ ৫০ অমসুং পেন্সনর লাখ ৬৮ হেন্না কান্নবা পীরগনি।

শ্রী বৈষ্ণোনা হায়- প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সরক য়োজনা (পি.এম.জি.এস.ৱাই-থ্রি) ইং কুমজা ২০২৮ গী মার্চ ফাওবা চখবদা অয়াবা পীরে। কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা তম্পাক অমসুং চীংগী মফমশিংদা শেমগৎলিবা লম্বী অমসুং থোং শাবা লোইবগী মতম ইং কুমজা ২০২৮ গী মার্চ ফাওবা শাংদোক্লে। মসিগী মথক্তা চীংগী মফমশিংদা থোং শাবা লোইশিনবগী  মতম ইং কুমজা ২০২৯ গী মার্চ ফাওবা শাংদোক্লে।

সংসদ ঃ চহি অসিগী জনুৱারি ২৮ দা হৌখিবা সংসদকী সভা অনিমক্কী বজেৎ মীফম ঙসিদগী মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে।

মীফম লোইশিনবগী ৱারোল পীরদুনা লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়- মীফম অসি চাদা ৯৩ মায় পাকখি। মীফম অসিদা পুন্না সিত্তিং ৩১ লৈখি। মসিদা সরকারগী বিল ১২ পুথোকখি অমসুং বিল ৯ না পাস তৌখি।

বিলশিং অদুগী মনুংদা ফাইনান্স বিল ২০২৬, দ ইন্সোলভেন্সি এন্দ বেঙ্করপসি কোদ এমেন্দমেন্ট বিল ২০২৫, অন্ধ্র প্রদেশ রিওর্গনাইজেসন এমেন্দমেন্ট বিল ২০২৬, জন বিশ্বাস এমেন্দমেন্ট ওফ প্রোভিজন্স বিল ২০২৬ অমসুং সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সেস জেনেরেল এদমিনিষ্ট্রেসন বিল ২০২৬ য়াওরি।

রাজ্য সভাদা মীফম লোইশিনবগী ৱারোল পীরদুনা সভাগী চেয়ারমেন সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়- পুন্না পুং ১৫৭ খন্ন-নৈনখিবা সভাগী মীফম অসি চাদা ১১০ গী চাংদা মহয় য়ানখি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না সংসদকী বজেৎ মীফম অসি মায় পাকপা অমসুং মহয় য়ানবা মীফম অমনি হায়না ফোংদোকখি। সংসদকী লাইব্রেরি বিল্ডিংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী রিজিজ্না হায়- মীফম মনুংদা কেন্দ্রগী বজেৎ অমসুং মরুওইবা বিলশিং পাস তৌখি। মন্ত্রিনা হায়- অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীফমদা প্রধান মন্ত্রিনা সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফমদা নোংচুপ এসিয়াগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। শ্রী রিজিজ্না হায়- নুপীগী সিট খাক্কুনা থম্বগা মরী লৈনবা লেজিসলেসন পাস তৌননবগীদমক অহেনবা নুমিৎ হুমি শাংদোক্কুনা অখন্নবা মীফম অমা ফমখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং নুমিদাং পুং ৮ মখায় তাবা মতমদা জাতিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি। লোক সভাদা বিরোধি দলশিংনা শৌগৎলক্কবদগী ৱিমেন রিজার্ভেসন বিলগা মরী লৈনবা কন্সটিট্যুসন এমেন্দমেন্ট বিল মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা মহাকা জাতিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংগদবনি।

বেঙ্গল ঃ মমাংদা অমুক্তা তৌখিদ্রিবা মওংদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা নোংচুপ বেঙ্গলগী মীখলগা মরী লৈননা পোল্লিং বুথকী মফম খুদিংমক্কী অকোইবদা লক্সমন রেখা হায়বদি বাউন্দরি লাইন য়েক্কুনা থম্লগনি হায়রি।

চোক অঙৌবা শিজিন্নদুনা পোল্লিং বুথকী মিতর ১০০ গী অকোইবা মফমশিং য়েক্কুনা থম্লগা রেজিষ্টর তৌরবা ভোতর খক্তমক ভোৎ থাদফমদা চংহনগনি। মসিনা সেক্যুরিতিগী ঙাকশেল কনখৎহনবগা লোয়ননা মথাং কয়ামরুমগী ভেরিফিকেসন চখগনি। লক্সমন রেখা অসিগী ৱাংমদনা বুথ লেবেল ওফিসার অমসুং সরকারগী ওফিসিয়েল অমনা অহানবা রাউন্দগী ওইনা চে চাংশিং চ্যেক তৌগনি। বাউন্দরি লাইন অসি হেক লানশিখ্রবা মতুং ভোতর আইদেন্টিতি কার্দশিং মশক খঙদোকপগা লোয়ননা বেল্লোট বোক্সতা ভোৎ থাদদ্রিঙৈদা অতোপ্পা তাঙ্কক অনি অমদা চ্যেক তৌবগী থবক চখগনি।

## --হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ চহি ১৫ মখাগী ১৪ শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ত্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- এস.বি.এফ.সি চজিং অমসুং সুফা শগোলবন্দ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা কে.এফ.এ লাইফম খুনৌনা কাগো খোংমনবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখি।

আইপিএলঃ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ (আই.পি.এল) মেটচতা রোয়েল চেল্লেঞ্জরস বেঙ্গলুরুগা দিল্লি কেপিটেলসকা বেঙ্গলুরুগী এম. চিনশ্বামী ষ্টেদিয়মদা হৌজিক শান্নরি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-সন রাইজরস হায়দ্রবাদকা চেন্নাই সুপর কিংসকা হায়দ্রবাদকী রাজিব গান্ধি ইন্টরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা হৌজিক শান্নরি।

ক্রিকেট ঃ অহানবা টি ত্বেন্তি ইন্তরনেসনেল ৱিমেন ক্রিকেটকী ঙরাং দরবানদা শান্নখিবা মেটচতা সাউথ আফ্রিকানা ভারতপু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে।

------